Total number of printed pages – 7

**79 RM 16 Man (N)**

**2011**

# MANIPURI

*Full Marks – 80*

*Pass Marks – 20*

*Time : Three hours*

*ৱাহংচে অসি 'ক' 'খ' 'গ' 'ঘ' হায়না কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোকই।*

*ৱাহং খুদিংগী মার্ক ৱাহংগী মপাদা য়েৎথংবা লাপান্দা পীরি।*

*নশাগী ৱাহৈ-ৱাডা শীজিন্নদুনা পাউখুম পীয়ু।*

**কাঙলুপ — ক**

**(পাৱা)**

১। মখাগী ৱারেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ইয়ু ঃ

মীওইবনা ইপঙ পঙনা পুন্সি লেনবা থক পাল্লোই, য়াম্না হৈ-শিংনা লেন্নীংগনি। হৈ-শিংনা পুন্সি লেন্নবা হোৎনরকপদা কলা চঙলে। মতমগী তঙাইফদ্রবা অহোংবা হায়বদুনা কলাগী মওংসু হোংহল্লি। হান্নগী কলাগী মওংনা হৌজিক্কী পল্লেপফম খঙদ্রবা পুন্সিবু য়েকপদা খুৎলোয়রক্তে। হৌজিক্কী মীওইবগী সমস্যাবু মনুং হুঞ্জিন্না থিজিনবা অমসুং মসিবু ইচঙথৌনা মায়োক্নবা ঙম্বা, হৌজিক্কী মীওইবগী শক্তম পুথোকপা অমসুং তাক্লবা হোৎনবা দরকার ওই। ইচঙ থৌবা, য়াম্না শাফবা, বুদ্ধিগী শক্তি য়াওবা, শ্রিষ্টিগী অমসুং কলাগী গুণচেনবা চঙ-চঙ লাউবা হায়বসি দরকার য়াম্না লৈরক্কই।

(ক) হৌজিক্কী ওইরিবা কলানা উৎনীংলিবসি করিনো? ২

(খ) করিনা কলাবু অহোংবা পুহল্লকপগে? ১

Contd.



(গ) পুন্সিগী করম্না মতাংদা কলা চঙলকপগে? ১

(ঘ) কলাগী মওংনা হোংলিবসি করিদগীনো? ১

(ঙ) 'অরুবা থৌদোক ৱাথোক' হায়বগা মথক্কী ৱারেং মতেক অসিদা য়াওবা করম্না ৱাহৈগা অর্থ মান্নবগে? ১

২। 'লাল হায়বসি শাদানবগী হেক মথংদা লৈবনি হায়না লৌবা য়াই' হায়রিবসি করিগীনো? ২

৩। সাইন্সকা তেক্নোলোজিগা মীওইবদা করম্বনা হেন্না মরু ওইবগে, মরম পীদুনা ইয়ু। ২

৪। অরাম্বাই অসি করম্না লাম্লীনা কমদৌনা শীজিন্নবগে? ২

৫। এচ. আই. ভি. হায়বসি মহীক্লা নৎত্রগা লায়নারা? ১

৬। লৈমিন্নবগী য়াম্নমক মরু ওইবা থৌদাং করিনো? ১

৭। ফোকস হায়বসি করিনো? ১

৮। নোংচুপলোমগী সমাজদা নুপীনা নুপাগী থাক্তা লৈবা ঙস্নগী মরম অসি করিনি হায়না খনবগে? ১

৯। ফন্দামেন্তল ৱাইতস অসি নীংতম্বনি হায়না লৌবা য়াদে হায়রিবসি করিগীনো? ১

**কাঙলুপ — খ**

**(ইবা)**

১০। মখাগী হীরমশিং অসিদগী অমতং খল্লগা ৱাহৌদোক ৱারোইশিন য়াওনা ৱাহৈ ১৫০–১৬০ রোমগী মনুংদা ৱারেং (এসে) অমা ইয়ু ঃ ৭

(ক) ঈশিং ঈচাউ

(খ) সাইন্স অমসুং মীওইবা।



Downloaded from www.tpsitlong.com

১১। মহাক সুরঞ্জয়নি হায়না খল্লু। হন্দক দিল্লীদা পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা কমনৱেলথ গেমসতা মানা সনাগী তকমান ফংবদুদা মঙোন্দা ফাওরমগদবা নুংঙাইবদু ফোংদোক্তুনা মরমদম মণিপুরদা লৈহৌবা মাগী মরূপ অশোকতা চিঠি অমা ইরকখি হায়না খল্লু। চিঠিগী ৱারোল অদু ৱাহৈ ১৩০ রোমগী মনুংদা নশাগী ওইবা লোন্দা ইয়ু। ৬

১২। মখাগী পাউরৌশিং অসিদগী অমখক খল্লগা মনুংগী ভাব শন্দোক্লা তাক্তুনা ইয়ু ঃ ৫

(ক) ৱাতোন্না ৱাংলগা কাক্লা ফমদেকই।

(খ) লম্বোইবদা শমজেৎ পীবা।

১৩। নহাক স্তার হায় স্কুলগী ছাত্র কুমারনি হায়না খল্লু। নখোয়গী স্কুলগী স্তদি তুর চৎপদা নহাক্লা উরকপা অমদি থেংনরকপা থৌদোক ৱাথোকশিং অদু ডায়রিদা ইবগী মওংদা মরীক চূম্না ইয়ু। ৫

## কাঙলুপ — গ

## (গ্রামার)

১৪। মখাগী ৱাহৈ পরেং অসিগী প্রেডিকেটকী এডজঙ্ক পুথোকউ ঃ ১

মহাক ইমুংদা লাইরিক পাবা চঙখি।

১৫। কঞ্জংসন ফ্রেজ য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমা ইয়ু। ১

১৬। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈ মপৈ অসি করম্বা ফ্রেজ নৎত্রগা ক্লোজনো? ১

নুমিদাংৱাইরম পূং মরি তারে হায়বা মতম অদুদা ঐখোয় লম্পাক্তা শান্নবা চৎকনি।





১৭। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈশিং অসি করি ডিগ্রীদা লৈবা কৌগদগে? ১

চাউবদগী হেন্না কনবা মী অমা লাক্লে।

১৮। পুথ্রীদা ঙা লৈ।

— পুথ্রী হায়বসি করি কেসতা লৈবগে? ১

১৯। 'য়াম' হায়বসি প্লুরল সফিক্স ওইনা শীজিন্নদুনা ৱাহৈ অমা ইয়ু। ১

২০। চাউবা লাইরিক পারে। চাউবা পারা ফারে।

— ৱাহৈ পরেং অনী অসি তিন্নবা ৱাহৈ পরেং অমদা ইয়ু। ১

২১। মহাক চাক চারে।

--- 'চারে' হায়বা ভর্ব অসি করম্বা এস্পেক্টা লৈবগে? ১

২২। তাইবুংঙো, চা অসি অমুক্তা থকপিয়ু।

— ৱাহৈ পরেং অসি থৌগল্লোল খঙনবা ৱাহৈ হাপ্লগা অমুক ইথোকউ। ১

২৩। 'মীৎ নাবা' হায়বা চৎনবী ৱাহৈ অসি হাপ্তুনা খঙহন্নীংলিবা অর্থ অদু ফোঙদোক্তুনা ৱাহৈ পরেং অমা ইয়ু। ১



Downloaded from www.tpsilong.com

## কাঙলুপ – ঘ

### (সাহিত্য)

২৪। য়াওফম অমসুং মরী–মখোঙ তাক্নুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ ৫

(ক) লৈমকোনগী মচু শঙলবা মীনোক

অমসুং ৱাহৈগী যাদুদা

মাঙথ্রে মী

পাঙদবগী অশোনবগী শুরুংদা

লোৎপ্রে নপুংসক ওইরদুনা পার্থ

মরোল থোকথিদ্রে মধুসূদন।

*নৎত্রগা*

(খ) লাইরিক হৈবা লাকই ৱা ঙাঙথোক্তবা

ঙাঙলুরবদি হেক্তা শোয়গদ্রবা

নেতা লাকই মরৈবাক নীংবা মরৈবাক নীংদবা

ঐগী খুনজা ঙাক্তনি।

২৫। ‘দাবী’ হায়বা শৈরেংদা কবিনা পুন্সিদা য়েংলিবা মীৎয়েংদু করিনো? ২

২৬। ‘খুমপ্রবা মায়খুম’ হায়বসিনা ঈশ্বরগী করম্না ফিভম্ খঙহনবগে? ১





২৭। ‘ফজবগী মহুৎথোঙদগী’ হায়বা শৈরেংদা কবিনা পৃথিবীগী থম্মোই অসি করিনা থুক্কৎলি হায়না ফোঙদোকপগে? ১

২৮। য়াওফম অমসুং মরী-মখোঙ তাক্নুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ ৫

(ক) রাজনীতি অদু নীতি ঐ খঙদে, ঐগীদি তাদ পুক নীতি, নোংমগী পুক থন্নবগী নীতি অসি ভাব তাশিল্লক্তবগী ৱানি।

*নৎত্রগা*

(খ) “সুকলৈবু লৈজনীংদেসে। ইয়া–ইচা ফাওবা লাকপা য়াদবা লম অসিদা লৈবা হৌনদে — চৎসি দেশতা।”

২৯। কবোক্লেনা মাগী মপুরোইববু ৱারৌখিবগী মরম করিনো? ১

৩০। ‘কনাগী মন্ত্রী’ কৌবা ৱারী মচা অসিগী মরু ওইবা হীরম করিনি হায়না খনবগে? ১

৩১। “ভূগোলগী মশক্তদি ভারতদি তোপ–তোপ্পা তাবনি।”

— ভারতকী তোপ তোপপা ভূগোলগী মশক অদু নশাগী ওইবা লোন্দা ইয়ু। ৪

৩২। “জাতি অমগী সংস্কৃতি হায়বসি জাতি অদুবু মশক তাক্লবগী শকফম্লি অমসুং জাতি অদুগী শকয়েং মিংশেন্নি হায়বা য়াই।”

— জাতিগী সংস্কৃতিনা জাতিগী শকয়েং মিংশেন্নি হায়রিবসি করিগীনো? ৩

৩৩। বর্লিন ৱাল শাদ্রিঔদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি অনী অসি করম্না মওংদা লৈনরম্বগে? ৩



Downloaded from www.tpsilong.com

৩৪। টিকেন্দ্রজিৎকা খেলেন্দ্র সুবিদারগা মুক্রবগী মরম পীদুনা ইয়ু। ২

৩৫। মীগী মীনোক কিবা অসি অশোয়বা নাইদ্রবা হীদাক্লুম্বনি হায়রিবসি করিগীনো? ১

৩৬। চরাইরোংবনা মাগী চান্নবী নুংশেল চাইবীবু লৌশিনখিদ্রিবদু করিগীনো? ১

---



Downloaded from www.tpsilong.com